# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লনা ঙসি ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোক্লগনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর পুলিস ম্যুজিয়ম শঙ্গারগনি।

অমসুং

৩) উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগী করনাতক, গোৱা অমসুং কেরলাগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

------

ফিলম (এল)ঃ ইন্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লনা রাজ্য অসিগী শকাইরবা ফিলমগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোক্লগনি। ঙসি নুংথিল পুং ৩ দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমদি আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেনসু শরুক য়াগনি।

ডাঃ অরাম্বম লোকেন্দ্রদা এম.এস.এফ.দি.এস লাইফটাইভ এচিভমেন্ট এৱার্দ খুৎশিন্নরগনি। অশাংবম নেত্রজিৎতা বেষ্ট ফিলম ক্রিতিক এৱার্দ, মনোরঞ্জন লোংজমনা দিরেক্সন পিবা ফিলম লাংগোইনা বেষ্ট ফিচর ফিলমগী মনা ফংলগনি। নন-ফিচরগী কাংলুপতা থিয়াম দেবেন্দ্রনা দিরেক্সন পীবা- দ লিগেসি ওফ ফোর জেনেরেসনদা স্পেসিয়েল জ্রি এৱার্দ অদুগা হুইদ্রো রাকেশনা দিরেক্সন পীবা- দ সাইলন্টে পার্ফোমরদা স্পেসিয়েল জ্রি মেন্সনগী মনা, বেষ্ট

এক্তর মেলদা ওইথরৈ ফিলমগী শুরজ ঙাসেপ্পম অমদি বেষ্ট এক্তর ফিমেলদা সুনিতা ফিলমগী নরমাদা শৌগাইজমদা পারি। থৌরম অসিদা এৱার্দ পুন্না ৩১ য়েন্থোক্কনি।

ম্যুজিয়ম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি অয়ুক অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা শাবা মণিপুর পুলিস ম্যুজিয়ম  শঙ্গারগনি। ম্যুজিয়ম অসিদা মণিপুর পুলিসনা হৌদোরকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী ফোটোশিং উবা ফংগনি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুর পুলিসনা মমাং শিজিন্নরম্বা খুৎশু খুৎলায় অমদি য়ুনিফোর্ম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং থমগদৌরি। বৃটিশকী মতমদগী হৌদোরকখিবা মণিপুর পুলিসকী মশক নাইবা থবকশিং অমদি তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্তা লাকখিবা অহোংবশিংসু ম্যুজিয়ম অসিদা উবা ফংগনি হায়রি।

ডে (এল)ঃ  রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগা খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড মেন্সট্রুয়েল হাইজিন ডে ২০২৬ কী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বাল বিভাগকী কম্মিসনার সুমন্ত সিংহ অমসুং হকশেল বিভাগকী দিরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্ত কুমার, ফেমিলি ৱেলফ্যারগী দিরেক্তর ডাঃ এন. বিনো, সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী দিরেক্তর শৈখ অবদুল হকিম য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

মন্ত্রি ঃ        কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস রাজ্য মন্ত্রি রক্ষা খরসেনা ঙরাং শিল্লোংদা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিতিদা চত্তুনা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং ত্রেনিংগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী মফমশিং অমদি ত্রেনিং পীবদা ফংহল্লিবা ফেসিলিতিশিং য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী মতাংদসু য়েংশিনখি। মহাকা কোচশিং অমসুং নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংগসু উন্নদুনা পুকিং থৌগৎখি। শ্রী খরসেনা সাই সেন্তর অসি হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোই কয়া

পুথোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। কেন্দ্র সরকারনা অৰাং নোংপোক লমদমদা শান্ন-খোৎনবগী শেমগৎ শাগৎপগী ফ গৎহন্দুনা হেন্না ফবা শান্নরোইশিং পুথোক বা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না ফোংদোকখি। খেল্লো ইন্দিয়া মিসনগী মখাদা অৰাংবা থাক্কী ত্রেনিং সেন্তর কেম্পস অসিদা হাংদোকবা থৌরাং লৈ হায়না মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

ত্রিপুরা ঃ কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি দুরগাদাস উইকেনা ঙরাং ত্রিপুরাগী কৈলা সহরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি উনাকোতি জিলাগী কুমারঘাৎতা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মহাকা কৈলা সহর সার্কিট হাউসতা ত্রাইবেল লুচিংবশিংগা উন্নখি। মন্ত্রিনা উনাকোতিগী অর্কিওলোজিকেল সাইটতসু চত্তুনা ইতিহাসিক ওইরবা পোৎলমশিং অমসুং অরিবা মতমদা শেমগৎ শাগৎলম্বশিং য়েংশিনখি। শ্রী উইকেনা কুমারঘাৎতা লৈবা একালব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলদসু চত্তুনা মহৈরোইশিং, মমা-মপাশিং অমসুং ওজাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অকাশবানিগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা সরকার অসিনা অৰাং নোংপোক লমদমগী ত্রাইবেল কাংলুপশিং চাওখৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগী করনাতক, গোৱা অমসুং কেরলাগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাকা ঙসি বেঙ্গলুরুদা হেক থুংবগা আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনগী চহি ৪৫ শুরকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মালেম থাক্কী থৌরমদা শরুক য়াগনি। তুংদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা করনাতক্কী দবাংগেরেদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি বি.দি.টি কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংগী প্লাটিনম জ্বিলি থৌরমদা শরুক য়াগনি। শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হয়েং পনাজিদা পাঙথোক্কদবা গোৱাগী ষ্টেটহুদ ডেগী থৌরমদা শরুক য়ানবা গোৱাদা থুংগনি।

চৌহান ঃ প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা-গ্রামিনগী মখাদা রাজ্য ১২ দা য়ুম শাননবা লুপা কোতি লিশিং ১০ গী শেনফম কেন্দ্রনা কাইথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ভিদিও

কনফরেন্সিংগী খুথাংদা রাজ্য ১২- অসাম, ছত্তিসগর, গুজরাত, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, ঝারখন্দ, করনাটক, কেরলা, পঞ্জাব, রাজস্থান, তামিলনাদু অমসুং উত্তর প্রদেশ সরকারদা শেনফমশিং অদু কাইথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শ্রী চৌহান্না হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরবা মীওইশিংগী য়ুম শাননবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পীখিবা থাজবশিং অদু থবক্তা ওন্থোকবা সরকার অসিনা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়- থৌশিল অসিগী মখাদা য়ুম কোতি ৪ লাখ ৯৫ শানবা পান্দম থম্বগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা য়ুম কোতি লাখ ৩ হেন্না শাবা লোইখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি ফাজিনখিবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং মুখ্য মন্ত্রিনা উন্নখ্রে হায়না ফোংলি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস (মণিপুরী ইদিসন)দনা সি.এমনা মখানদা চত্তুনা কোনশা খুলগী লাঞ্জেন্নরিবশিংগা উন্নখ্রে, মফম খণ্ডদ্রিবা ৬ ফংহনবীনবা কপ্তুনা হায়জখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল অমদি হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

সনালৈবাক পাউচেদনা চীংদা ওপরেসন তৌবগা তম্পাক্তা তৌবগা মান্নদে, মতম খরা চংখিগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ফাজিনখিবা নাগাগী মীওইশিং নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা খুৎশিন্নবা ঙমদ্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না অন্সমনা থল্লকপা ৱাফম হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

য়েলহৌ ফুরুপশিংগী ওইবা মীফম অমা পেলেস কম্পাউন্দগী শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি দ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

অহমেদবাদ এয়ারপোর্টতা ইবোলা নাবা মীওই অনি থেংনরে হায়বা হেদলাইন অসিনা তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

দিল্লিদা ফাখিবা তাইবং ঙানবা ইম্ফালদা পুরক্কদৌরি হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মওং চুমদনা মীশিং হেনগৎলকপা থিংনবগীদমক লো মথৌ তারকপা য়াই হায়না কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা ফোংবা থেনরে।

মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে, কে.এন.এ অমদি জেদ.আর.এগী লুচিংবা ফাদুনা ম্যান্মার লৈবাক্তা শিন্নখিগদবনি হায়বা য়াওনা মীয়ামা ৱারেপ ৫ লৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে।

খোংজোম ডে অমসুং লিলা ফেষ্টিভেল হৌদোকপদা শকখিদ্রবসু ফিলম এৱার্দ লান্থোকপদদি সনা লৈবাক মণিপুর শকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

------